# অরিবা মণিপুরগী শৈথারোলদা লৈবাকলৈ লৈরাং

ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী

**লৈরাং অমা,** শৈথারোল কয়া, ৱারী শীংবুন খরা, মিথ অমদি লেজন্দা মরাং কায়না থন্বীরম্মী ইপা-ইপূশিংনা। অরিবা মণিপুরী খোরিরোলগী অৱাংবা মতিক ময়াইনি। লমদম অসিদা ফংবা লৈ মখল কয়াগী মরী মখোঙ তাকপগা লোয়ননা লৈশক লৈচু মতিক-ময়াই শৈথারিবশিংগী মনুংদা মৈদিংঙু চরাইরোংবা (১৬৯৭-১৭০৯) গী মতমদা লেংলম্বা 'লৈরোল তেংথা', পেনা অমদি খোংজোম পর্ব্ব শৈশক্কী লৈরোন্নচিংবা শীংথাবা য়াই। অসিগুম্লবা লৈরোলশিংদা শৈথারিবা লৈশিংগী মনুংদা শজিবু কালেন্দা শাৎপী লৈবাক্লে লৈরাংসু অমনি। মনা অমদি মউ য়াওদনা লৈবাক্তা কোরৌগী মৈশা নাচুংদনা শাৎলি। অদুক্কী মতিক থোৎ নৌরবী লৈনাশিং অদুনা কনাগীসু মতেং য়াওদনা শাৎপা উরগা অইবশিংনা লৈরাং অসিবু অখাঙ কনবী নুপীশিংগা চাংদম্নে। ঈংনা লৈনম চেল্লি, লৈনমদুদি মকা ফোংদে, ইপা-ইপূশিংনা লৈবাক্লেবু শৈথাবা মতমদা মিথ অমদি লেজন্দগী মতাং কয়া হাপচিন্দুনা লৈরাংগী মতিক-মগুণ হেনগৎহল্লি। অদুগা লোয়ননা তাইবঙ মপূনা খুদোল তন্বীরম্বা হৈ-লৈ, উপাল-ৱাপালশিংবু নুংশিজবা অমদি য়োক্তুনা থম্লীংবগী অৱাংবা ৱাখল্লোন লৈরম্মী হায়বগী ময়েক লারবা খুদমনি। করিগুম্বা অমা মীৎনা উরুবা মতমদা পূক্নিংদা ফাওরকপা ইহুল অদু লৈশি লৈথোন্দুনা শৈথারিবশিংদুনা অপাবা অমদি অতাবশিংগী ৱাখন্দা থৱায় পানবা জীব অমগুম্না ফাওহনবা ঙম্মী। মসিমক ইপা-ইপূ অশৈবশিংগী তোপ-তোপ্পা মতিক-ময়াইনি। মতাং মপা চানা ৱারী-ৱাখোঙ, প্রমান-পান্থে, ৱাহৈ-ৱাতা, লৈশি-লৈথোন হাপ্তুনা মপূং মরৈ ফারবা ঈশৈ শৈরেং মরাং কায়না থন্বীরম্মী। অসিগুম্বা লৈরোল শৈথাশিংগী মনুংদা মোইরাংথেম নরেন্দ্র অমসুং অরিবম চিত্রেশ্বরনা বাঙ্গলা ময়েক্তা ইথোকপা লৈরোল তেংথাদা য়াওরিবা লৈবাক্লে লৈরাংগী শৈথা মতেক অমা লৌখচিরি। (অনৌবা লোন) -

অঙোম নিঙোল মরাম্বীগী,
মশাগী অথোইব পূঙ,
মশান খুদুম চঞ্জব,
লাংপোম ফানব পূঙবু নাতৈনরগা,
অথোইব লাইরেম্ম লৈরোন লৈম কিয়াং চাইবী,
লৈপাক লৈরোন্নুংদ লৈরোল তরেৎ ঙান্ন লৈবী,
লৈবাক কায়হনবী,
লৈবাক শেম্বী,
মালেমদ সনা থোকহল্লিবন সীঙেলবু নাউয়োকপা
লৈরাংবু মখূৎন থাজব
(লৈরোল তেংথা, ১৯৯৬, লামায় ১১৫)

শৈথারোল মতেক অসিদা মৈদিংঙু কবোম্বা (১৫২৪-১৫৪২) গী মতমদা থোকখিবা থৌদোক অমসুং লৈবাক্লে লৈরাংগী মরমদা ৱারী ৱাখোঙ ময়েক শেংনা ইরি। পীরল্লিবা ৱারী ৱাখোঙদা য়াওরিবা অঙোম নিংঙোল মৈতৈ লৈমা মরাম্বী (নোংবাল্লোন হাউচোং ঙম্বী) অসি কবো শেনবী কিয়াং নিংথৌ মুমশিল্লোংবু মায়থীবা পীখিবা নোংবান খাবগী মচা নুপীনি হায়না নিংথৌরোল লম্বুবদা অসুম্না ইরি (অনৌবা লোন) "নবেন্ধৌ মৈতৈ লৈমগী মমিংদি মৈতৈ লৈমা অঙোম য়েকওইবি নোংমাল্লোন হাউচোংঙম্বী হায়না মিঙ্গৌই। কবো শেনবি কিয়াং নিংথৌ মুমশিল লোংবু লানঙম্বা নোংবাল খাবনা পোকচবী অঙোম য়েকওইবি মরাম্বিদি...।" (নিংথৌরোল লম্বুবা, ১৯৬৭, লামায় ২৫৫) পীরল্লিবা শৈথারোলগী মতুং ইন্না মৈতৈ লৈমা মরাম্বীনা মরাম নিংথৌ লাংপোম্বু ঙমদুনা খুদুম চনশিনখি। মৈতৈ লৈমা মরাম্বী কবো ক্যাং চাইবীনা লৈবাক্লেবু মরাম চীংদা থাখি। মহাক্না মরাম খুদুম চনখিবগী মতাং অমা নিংথৌরোল লম্বুবদগী লৌখৎচরি (অনৌবা লোন) "... অঙোম য়েকওইবি মরামবিদি কৌব্রু মায়কৈ পাংবলমদা লৈবা থিঙবা কৌবা লাইয়ামনা কারম্বা চীংগী মাখেক ৱাপৈথেন মরাম থৌবি নুংলাম চীংদা লান্নাখিবনি।... কোংয়াং ৱাবু পুরমই হায়বদি লানফম অসিগী মারাম নিংথৌ লাংপোম কৌবা লান্দা হৈবা মমিং চৎপবু লানঙমখি। (লামায় ২৫৫)

লৈবাক্লে লৈশক লৈচু শৈথাবগী মতেক অমা,

মনা অনৌবন নৌ মানব,
মপালন নিঙোলগী লংথোক তরেৎ মানব,
সীঙেল থোৎন মনম নাইব লৈ,
লৈরাং মরি চৎতব,
সীঙেল মউ নাইদব,
লৈরাং মনা য়াওদনা শাৎপ লৈ,
লৈ ওইবী লৈম কিয়াং চাইবীগী লৈশক খঙ,
লৈপাক্কী লৈপাকলৈ, (লামায়, ১১৫-১১৬)

মথক্তা পঞ্জাখ্রিবা অসিগী মথক্তা খোংজোম পর্ব্ব হায়না খঙনবা শৈশক অসিগী মমিং লৈরবা ওজা অনী হায়বদি অমোম খোংনাং অমসুং নামৈরাকপম ওংবী ইবেনীগী শৈথাশিংবু খুমন্থেম ধরনেশ্বরীনা খোমজিন্দুনা পুথোকপা 'লৈরোল' কৌবা লাইরিক্তসু লৈবাক্লেগী মরমদা তোঙান তোঙানবা ৱারী ৱাখোঙ পীদুনা শৈথারি। ওজা খোংনাংগী শৈশক্তগী লৌখৎচবা মতেক অমা,

অতিয়া গুরু শিদবনা থুপ্লমদাইদা,
কাইরৈ য়েরুম অনীবু
অমনা কোরৌথক্তা নোংদাইখি
য়েরুম অমনা মালেম লৈমাইথক্তা লৈতাইনখিয়ে।
কোরৌথক্তা নোংদাইনখিবা য়েরুমদো
য়াৱা কুমশিং ওনখ্রি।
... ... ... ... ...
পামেন উফৈথক্তা মরা খোমজিনলোন
তেনৌ য়েননিং চোংদুনা
লৈরাং ওইনা লাংওনলমলে।
... ... ... ... ...
য়েরুমগী মিংথাং লৌদুনা
য়েরুমলৈ হায়না মিংথোনখি।
মালেম লৈমাইথক্তা লৈতাইনখিবা
লাইকোই মাইহিং কানা
... ... ... ...
মালেম তম্পা লৈপাকলৈ।
(লৈরোল, ১৯-২০)

শৈথারোল অসিগী তোপ তোপ্পা মতিক-ময়াইদি লৈরাং অসিবু শৈথাবদা লমদমসিগী মশাগী লৈজবা মিথকী ফজবনা উচন ওইদুনা শেল্লম্বনি। মসিনা লৈরাং অসিগী মগুণ হাপ্তুনা অৱাংবা থাক্তা পুখৎলি। ওজা ইবেনীনা শৈথাবীরম্বা মতেক অমা,

শিঙেন লৈরাং অসিদি
লৈনা লৈপাল উদনা
অকনবা মালেম লৈপাক্তা
লৈরাং কোলোয় থোনজগে
লৈপাক্কী মীংথাং লৌদুনা
শিঙেন লৈরাং লৈপাকলৈ।
(লমায় ১৩৯)

মহাক্না শৈশকপীবা শৈথারোলগী মতুং ইন্না খৌবুমগী চীংদা পাম য়াল্লম্মী। কালেনগী মৈশানা খ্রক-খ্রক কংলবা লৈতাঙ্গাইদা লৈরাং অমা শাৎপা উরম্মী। মাগী লৈশক লৈচু অমদি লৈনম্না পূক্নিং





হুরবা পাখং অদু মথৌ শূবা কাউরম্মী। মতম অদুদা লৈশাবী অমনা লৈরাং অদু হেক্লগা খুদোল তম্লম্মী। পাখং অদুনা লৈ অদুগী মমিং হংলকপা মতমদা অকনবা লৈপাক মথক্তা শাৎলি হায়বগীদমক লৈপাক্লে হায়না মিংথোনখি। শৈশক অসিনা লৈবাক্লেগী অখাঙ কনবী মতৌ লৈশক লৈচু, লৈনম শীংথাবগা লোয়ননা পাখঙ লৈশাবীগী খুদোল তম্নবগী চৎনবী লৈ হায়বদু উৎলি। মতৌ অসুম্না মিথ, লেজন্দ, ফুঙ্গা ৱারীনচিংবগা শাগোন্নদুনা শেল্লম্বা লৈরোলশিংনা লৈবাক্লে কৌবী লৈরাংবু মথ্বায় হাপ্পীরি। অঙনবা মতমগী শৈরেংবশিংনা লৈ অসিগী মতিক-মগুণ মুন্না খঙবীরম্বগী মমি ফজনা তাই। লৈ অসিগী হৌরকফম অমদি লৈ অসিগা মরী লৈনবা ৱারী শীংবুনশিং শেল্লম্বা অসিমক অরিবা খোরিরোলগী ফজরবা মশকনি। লৈরাং অসিগা লমদম অসিগী পুৱারীগা শেৎন-খাইনবা য়ারোই অমসুং মতম পূম্ন মক্তা লৈশক খঙনা তাইবঙ মপূনা তন্বীরম্বা খুদোলনি হায়বসি কাউথোকপা লৈতনা য়োকখৎপীনবা পাউজেল পীজরি।

---

# লমদমসিগী চৎনবীসি মতা অমনি

অথোকপম তোম্বা

**মহৌশা** কৌবী লাইরেম্বীগী খূৎশেম অঙকপনি। অরিবা উপাল, হৈপাল লৈবাক অরিবসু অনৌবসু বসন্তা লাকপদা কেনখ্রবা উনা অমুক নৌনা য়েন্নিং হুল্লক্লি, মপান শারক্লি, মহৈদি য়ান্দবা অকনবা নোংলৈ-নুংশিৎনা হুম্বদা লোইনা কেনখ্রবদা লৈহৌরি মপূং ফাদ্রবা, অনৌবা পাম্বীনা মপূং ফারবা হৈরাশিং তীল চংবা হৌরকপা অঙকপগী খূৎশেমনি হে মহৌশা কৌবী। অরিবা উপালনা তীল চংদুনা মহৈ য়ানগনি খল্লম্বা লোইনা তুখ্রবদা হিংহৌরিবা খরা অদুসু মকুদা ঙাইরবা মনুংদি হোরবা, মকা ফন্না মখৌ পোংনা লৈরম্বা য়ানগদবগী ঙাইরবা মতাংদা অনৌবসু অফবা শারুবা, মতিক মগুণ, ৱাঙাঙ তমগী উপাল ফুক্তুনা লোইবী চীংদা হোংনবা হোৎনবসু মহয় য়ানবা উদ্রি ঙসি ফাওবা। ৱাখলনা শারি কৈথেল উরেপ উয়ুং তমখ্রে শাগৎপদি উদ্রি। লাউনরি মীপূম খুদিংনা ৱাকৎকী পরেংনা ককচেংনা চৎপগুম পরেং শানা। অমুক্তা খন্থদুনা য়েংবিয়ু ইম্ফালদগী খায়দোকখি ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট অনী থোক্লা। কুমজা ১৯৭৩দা পাক চাউবনা ইষ্টনা স্কার কিলোমিটর ৭০৯নি অদুগা ৱেষ্টনা ৫১৯নি। মরু ওইবা ৱাফম অমনা অরিবদগী অনৌবা ফাওবদা শেমগৎ শাগৎপা লোইখ্রবা পূম্নমক ৱেষ্টকী চাকথুং ওইখিবা অদুগা নৌনা ফংখিবা ইম্ফাল ইষ্টকী চাকথুংনা অৱাৎপতনা থল্লি। মসিগী চৈরক অসিদা অনৌবা লৈঙাক লাকখিবা শেমগৎ শাগৎকনি হায়দুনা লাউখিবা, মফম খুদিং চাকথুং মান্নবা অরিবা কৈথেল শেমগৎ শাগৎলগনি হায়দুনা ৱাশক পরৈ চনখিবা কৈথেল লমলোং অমসুং কোংবা কৈথেলনি। লমলোং কৈথেল শারনি হায়দুনা লোকল এম এল এগা লোয়ননা লুচিং পুরেন য়াওনা অপূনবা মীফম পাঙথোক্তুনা অহল-লমন, ইমা-ইবেন অমসুং নহারোলশিংগী মমাঙদা লাউথোকখি শারনি হায়না।

শাবিদ্রবনিনা কৈথেলশিং অসিগী ৱাথোক ওইরেদো লমলোং কৈথেল অতোপ্পা অমনা কোংবা কৈথেলসু মচি লেংদে। পালন তৌরি চহী অমা ফাবগী শেমগৎ শাগৎপগী খুমাঙ চাউশিল্লে হায়না। মখৌ পোংনা লাউ খোংই নোংপোক মায়কৈগী মশক নাইবা শেমগৎ শাগৎপগী মশরুক্তি থোইদোক্ল া তাদে-উদে হায়নরি মীয়াম্না। তেংথারি অহল-লমন, ইমা-ইবেল, ইচে-ইচল কয়ানা হে তোল্লিদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মীয়াম, অতোনবীগী মচা, মপাগা মমাখক্তা নুংশিবা মচাগী শরুক্তি য়াওদবা। মীৎয়েং অমুক্তা চঙবীয়ু অঙম অথৌ, লৈঙাক পায়রিবা পেকেজকী খূথাংদা শেমখিবা লমলোং কৈথেল ওইরেদো ফত্তবা হাপ্পা প্লাষ্টিক্কী পেকেটকা মান্না লংথোকপীরে তুরেল তোর্ব্বান মতাইদা। ইপান থা লাক্লগা ইচেলনা চেন্থখিবা ঙাইবগুম লৈরি।

অঙকপা থৌদোক ৱাথোক্লা লাঙ্গোই চল্লবা মৈতৈ/মীতৈ লৈবাকনি। য়েংখি য়েংখিবা মায়কৈদা অৱাৎপনসু থল্লবা, ৱাথোক্লা কোয়রি নুপীশিংদা চৎথবা লিচৎ, তাহৈদবা থৌদোক ৱাথোক, থবক শূদনা পৈশা হৈনখিবা, শাবা লোইরবা অমুক হন্না বিল শারগা লৌথোকপা শেনফম, চেকশিন্না ঙাক শেন্দুনা থল্লিবা সিফাইগী ফিজেৎ অমসুং নোংমৈ মাঙখিবা, চেকশিনবা ফৈ লেংজুমদা থেৎপা বিলাইসু মাঙদনবা, মসিসু ওইরোই হায়নীংঙাই লৈতে। মমৈ মকোক শম্নদবা ৱাখলনা শাবগী ৱাহৈ, চাওখৎপগী অচৌবা খুদোল ওইরি মৈতৈ/মীতৈ সনা লৈবাক। য়াওশঙ কুম্মৈনা তেনশিনবা, থাবল চোঙবনা শাংদোকপা। অহোংবা মমলদা য়োল্লি পোৎশিং খোন্থাংদা লৈরুরবদি মমল তঞ্জাই হেনবা লৈনরি। মমা-মপানা মচাশিং নীংঙাই থেম্বদা গাড়ী মচা-অচৌবা লৈদুনা থৌহল্লি হৈবা হৈতবা, অফাবনা শেন্দাল লম্বী ওইনবা। মতা অমনি ইরমদম অসিগী চৎন-লোনচৎ।

উরেপ উয়ুং তমখ্রবা লমলোং কৈথেল ৱানা খাংলি নোংজু নুংশা মরক্তা, ইমা-ইবেল, ইচল-ইনেম নোংমগী চরা তাল্লিবা চীংবুরোই-তম্বুরোই কয়াগা লোয়ননা। অঙাং নিংঙাই তৌবদা ঙাম্মোক পীজদুনা থেম্বগুম। মমি শামই থবক্তি মিৎ তাংবনরা পায়খৎপা উজদে ইমম-মমই, পায়খৎলনি হায়বসু তাজদে ইনা পংবনরা। শেমগৎ শাগৎপগী খোঙজং চঙশিল্লবদি নুমিৎ খুদিংগী মীওই কয়ানা লাউ খোংলিবা, ৱাকৎ তৌরিবা তারোই-উরোই। ঙাঙনরি মীয়াম্না লমলোং কৈথেলগী মরাইবক করম থোক্লগবা। ঙাইজরি খৌরাংনা শারবা লৈকংলাদা লাইজ ঈশিং ঙাইবগুম। কোকহনবীরো খৌরাংবা থৌগল হৈবা লুচিং পুরেলনা। ৱাশক চেৎপা ভীষ্মগুম, দান তৌবদা হালেংদ্রবা কর্ণগুম, উৎপীরো অথুবা মতমদা লমলোং কৈথেলগী ফজরবা শক্তমদো, মীংচৎ লৈরবা লুচিং পুরেলগী থৌজাল মীৎয়েংদা।

মীয়ামগী মরক্তা খেন্নবা থমদনবা লিচিং অমগী মখাদা পাউতাকসু পাউজেলসু থবকসু তৌবিরি অদুবু অঙাংদা ঙাম্মোক পীজরগা থেম্বা মওং মাল্লিকো লমলোং কৈথেল শাবগী থৌওংসে। থৌদাং কয়ামরুম লৌবিরিবনি, লুচিং পুরেলদি কৎথোকপনি মীয়াম য়াইফনবা খনবীরিবনি। অদুবু লংলা লংজিন কাংবিরম্লগা করিমত্তা তৌদনা তুমিন লৈথোকখিবা অসি নুংনাংনীংঙাইগী মশকনি। অকুৎ-অতোং মান্না তেন্থীরো মান্নবা খুন্নাই শেন্থীরো।

---

# কার্ল মার্ক্স পোকপা চহী ২০০ শুরকপগী বাই সেন্টিনরি সেলেব্রেসন

লাইশ্রম সোটিনকুমার

**(হান্নগী মখা চৎখজরকপা...)**

এঙ্গেলসনা মার্ক্সপু চার্লস ডারৱিনগা চাংদম্নদুনা হায়- ডারৱিন্না ওর্গানিক নেচর চাওখৎলকপগী লো পুথোকপগুম্না মার্ক্সনা মীওইবগী পুৱারী চাওখৎপগী লো পুথোকই। মহাক্কী লো অদুনা পোলিটিক্স, বিজ্ঞান, কলা-সংস্কৃতি অমসুং ধর্ম্মনচিংবা অসিগী লম্বীদা খোঙদাগে হায়রবদি ইহান হানবদা চাননবা, শেৎননবা, থক্লবা অমসুং লৈননবা য়ূম হান্না লৈগদবনি হায়বা চৎনবী অদুগী যূম্বীদা নীকহল্লি। হায়বদি, পোলিটিক্স, বিজ্ঞান, কলা-সংস্কৃতি অমসুং ধর্ম্মগী লুচিংবা অমসুং পণ্ডিৎশিং অসি শেঞ্জাও পায়বা লৌয়াম চাবা কাঙলূপ্তুগী থোরকপনা মরম ওইদুনা মখোয়গী কাঙলূপকী মীৎয়েংদগী হায়রিবা হীরমশিং অসি শন্দোক্লা তাকই। মসিগী কাঙলূপ নাইবা মীৎয়েংদগী থোরকপশিং অসিবু মার্ক্সকী মীওইবা খুন্নাই চাওখৎলকপগী লো অসিনা শীংনরকই।

মার্ক্সতি অওনবা পুরক্লবা হোৎনবা মীশকনি। মহাক্কী মপুন্সিগী অশেংবা মথৌদি, অমা নৎত্রগা অমা তৌদুনা কেপিটেলিষ্ট সোসাইটিবু অমসুং মসিনা পুথোরকপা ষ্টেট ইন্সটিট্যুশনশিংবু থুগায়বনি, অদুগা শূরি নোল্লিবা কাঙলূপ্পু কাঙলূপ-ফুরুপ খায়দনা নীংতমহনবনি। থেংনবা হায়বা অসিনা মহাক্কীদি মরু ওইবা শিন্থানি। মহাক্কী থেংনবগী লম্বীসিদা মহাক্নুম্বা চঙশিনবা ঙম্বা অসি ঙসি ফাওবদা মীওই মশীং য়ামদ্রি। খুদক্কী মায় পাকপা নৎত্রগা মায়থীবা অদু নত্তে মহাক্কী লানথেংদি, মথ্বায় য়াওনা লেপ্পা লৈতনা মহাক্না থাজরিবা অসুপ্পা মায়পাকপা অদু ফংনবা মাঙলোমদা চঙশিনবনি। মদুতনা শিন্নমীশিংগী মুক্তি ফংননবগী লম্বীনি হায়না মহাক্না য়াম্না চেৎনা থাজে।

কার্ল মার্ক্স, মহাক্কী হিংলিঙৈগী মতমদা মহাকপু য়াদবা মীওইশিংনা খ্বাইদগী হেন্না তুকৎচবা অদুগা মহাকপু শৌগৎপশিংনা খ্বাইদগী হেন্না ৱাংনা থাঙ্গৎপা মীশক অমনি। য়ুরোপকী লৈঙাক কয়ানা মহাকপু মখোয়গী ঙমখৈদগী তান্থোকই, মরমদি মহাক্না মখোয়গী লৈবাক্তা লৈরবদি মখোয়গী কাঙলূপ নায়বা লৈঙাক অদু শিন্নমীশিংনা মুনখিগনি কিজে। অমরোমদা বুজ্জুৱা পণ্ডিৎশিংনা মার্ক্সকা চৈ-থাংবদা লম্বা তৌনৈ। মরমদি, খুন্নাইদা মখোয়গী মফম কন্দুনা লৈরিবা অদু ঙাক্তুনা থম্নবা, অদুবু কার্ল মার্ক্সতি মঙোন্দা শিংনরকপশিং অদু লৌই, লৈবাক অমদগী লৈবাক অমদা হোং হোংদুনা মহাক্না ৱাখল মান্নবা মীওইশিং খোমজিন্দুনা মশীং য়ামখৎনবা থবক চঙশিল্লি, মহাক্কী ফিরেপ চেৎশিনহন্নবা হোৎনবা লেপ্তে। শিন্নমীশিংগী আন্দোলন শাগৎলি। দরকার লৈরকপা মতমদতা মঙোন্দা শীংনরকপশিংগী মতিক চাবা পাউখুম পী।

কার্ল মার্ক্সকী মরমদা নৈনবা অসি কুনশুবা শতাব্দিগী লোইরমদাইদা সোসিয়েলিজম্না মরাই খরা চায়থরুবদগী খরা নীংহন্নবা লৈখ্রবসু, কুনমাথোইশুবা শবাব্দিগী অঙনবা শরুক অসিদদি সোসিয়েলিষ্ট শক্তিশিংনা মালেম শিন থুংনা মপাঙ্গল খরা কনখৎলকপা অসিদা খা ৱাং খায়দনা হেনগৎলক্লি। চিনা, ক্যুবা, ভিয়েটনাম, অৱাং কোরিয়ানচিংবদা লৈরিবা মওং অসিগা খেন্নজরবসু হৌজিক য়ুরোপকী লৈবাক খরদা সোসিয়েলিটে শক্তিশিংনা লৈঙাক পায়রকখ্রে। নোংপোক য়ুরোপ্তুসু অদু মঙাই, মলটি পার্টি সিষ্টেম লৈবা দেমোক্রেটিক লৈবাক ওইরবসু হান্নগী কম্মুনিষ্ট পার্টিশিংনা মমিং ওন্দুনা লৈঙাক পায়দুনা লৈঙাক্লকই। রসিয়াদসু মতম অমদা হেক্তা সোসিয়েলিজম হল্লকপা য়াবগী ফীভমদা লৈরি। খা অমেরিকাগী (লেতিন অমেরিকা) লৈবাকশিংদা মথং মথং ভেনেজ্যুয়েলা, ব্রাজিল, অর্জেন্টিনা, চিলি, উরুগুৱেনচিংবদা শিন্নমীশিংগী পার্টিশিংনা অমসুং লুচিংবশিংনা লৈঙাক্লক্লিবা অসিনি। মসিগী মথক্তা ক্যুবান রেভল্যুসন মায় পাক্লা পাঙথোকপদা অচৌবা থৌদাং য়াখিবা আর্নেষ্টো চে গুইবেরানা মালেম পূম্ববু ইম্পরিয়েলিজমগী মখূত্তগী নীংতম্নবা লাঞ্জংদা অমেরিকাগী সী আই এগী মখূৎতা অরোয়বা য়াহিপ তানখিবা লৈবাক - বোলিভিয়াদসু হন্দক্তা শিন্নমীশিংগী মীখলদা মায় পাক্তুনা লৈঙাক পায়খ্রে। হন্দক্তা নেপালদসু কম্যুনিষ্টনা লৈঙাক পায়রে।

মণিপুরদসু জননেতা ইরাবতকী লমজিংদা মাক্সিজমগী ৱাখল্লোন পুরক্তুনা - ফ্যুদেলিজমগী মায়োক্তা শেঞ্জাও পায়বা নিতিগী মায়োক্তা অমদি ঙসিনা নিয়ো লিবরেল ইকনমিক পোলিসিগী মায়োক্তা, কম্যুনিষ্ট পার্টিনা হনবা লৈতনা থেংনরি। চহীসিমা চূপ্পা চৎখদৌরিবা কার্ল মার্ক্সকী - বাই সেন্টিনরি সেলেব্রেসন অসি - লোকল, দিষ্ট্রিক্ট অযমদি ষ্টেটকী থাক্তা মখল কয়াগী থৌরমশিংগা লোয়ননা পাঙথোক্লুবা কমরেদ পূম্নমক্লা শেম শাবিরো।

## মরোল থোকপা লাই

